ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ৩০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৪১শুবা মশীং

# দিষ্ট্রিক্টশিংগী বাউন্দরি
## লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লক্কনু

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মাঙওইননা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমদুনা হেনগৎহল্লগা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শুহনদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৯নি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হেনগৎহনখিবদুগী মনুংদা য়াওরিবা কাংপোকপী, জিরিবাম অমসুং ককচীংদি চহী খরগী মমাঙদগী তোঙানবা রেভন্যু দিষ্ট্রিক্টশিং ওইহনবীয়ু হায়দুনা 'দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটি' ফাওবা শেমদুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবসু লৈখি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী মনুংদা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ৬কী মায়োক্তদি অদুক য়াম্না কন্না য়ানীংদবা উৎপা য়াওখিদ্রবসু সদর হিলসপু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হায়দুনা ওইহন্নবা হোৎনখিবগী মায়োক্তদি অচৌবা ঈরাং লৈখি। অদুবু অকনবা অথিংবশিংদু নমথেক্তুনা কোংগ্রেস লৈঙাক্তুনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমদুনা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শুহল্লকখিবনি। থবকসি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ খক্কীদা নত্তনা মণিপুর পূম্বগী মীয়ামগী এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং রেভন্যু কল্লেক্সন, লো-এন্দ-ওর্দর মেন্টিনেন্সনচিংবদা খ্বাইদগী ফবা থবকনি। মসিমক্না অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী মীয়াম্না খম থেংনা হরাওনখি। ককচীংগী মীয়ামদি নুপা-নুপী হুপ্না থোরক্তুনা ককচীং কৈথেলদা থাবল ফাওবা চোংখি। অদুবু অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেল্লমখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্তু অদুক য়াম্না খঙদ-হৈতবা অমসুং হৈথোই-শিংথোইদবা লৈঙাক্তি নত্তে। নৌনা শেমখ্রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী ঙমখৈ (বাউন্দরি) শিং শোয়দনা লেপথোক্লমগনি। মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টকী ওইগদবা, ওইফম থোকপা পাক-চাওবশিং শোয়দনা য়াৎথোক্লমগনি। মসি য়াৎথোক্তুনা লমহাঙদা বাউন্দরি য়াওদনা দিষ্ট্রিক্ট পীরম্বা য়ারোই, য়াফমসু থোক্তে।

অদুবু হৌজিক নৌনা শেমখ্রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কা শাইজিন লোন্নদুনা তাইনরিবা মফম পূন্নমকপু হায়বা য়ারক্লবা মফম অয়াম্বদা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী চয়েৎনবগী ৱাথোকশিং থোরক্লিবা করিগীনো? অসুক কুইবসি অসিগুম্বা ৱাথোকসি লৈরমদে হায়বসিমসু চুম্মী। অদুবু হন্দক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী খংহেন-হেনগৎলক্তুনা মরী-মরী থোকচিল্লকপনি। মসিগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। অদুগা মরমশিং অসিগী মনুংদা অমদি চীংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী পাঙথোকফম থোক্লবা মীখলশিং পাঙথোক্লবগীদমক এ দি সী কন্সটিটুয়্যএন্সিশিংগী ঙমখৈ খঙদোক্লবগীদমক চথ্থরক্লিবা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরমশিংদগীনি। মরমদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী মনুংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওরি, তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগা তাইনবা দিষ্ট্রিক্টশিংসু য়াওরি। অদুবু মতাংসিদা হংবা য়ারক্লিবা ৱাফমদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হেনগৎহল্লকখিবদা য়াওরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগা শাইজিন লোন্নবশিংসু য়াওবনিনা নীংথিজনা মাগী মাগী ওইফম থোকপা বাউন্দরি য়াৎথোক্লবনিনা মদুগী মতুংইন্না দিমার্কেসন ময়েক শেংনা তৌবিরন্নগদি ঙসি মায়োক্লরিবা ৱাথোকশিংসি মায়োক্লরল্লোই হায়নীংই। দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি হায়বসিদি ঙাইহাক লৈতনা অমনা অমনা অপাম্বা মওংদা থাংদোক-থাংজিন য়াবা নত্তে। মফম হোংদোক-হোংজিন য়াবা নত্তে, লেংদবা লমনি। তৌবতবু এ দি সীশিংগী মীখল পাঙথোক্লবগী দিলিমিটেসন চথ্থরক্লিবসিদা হেন্না পাকথোক চাওথোক্তুনা কোনশিনহৌনবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মমিং য়েকপা/থাবা/ইবা সাইনবোর্দ অমসুং পোষ্টরশিং থেৎচিন্নরকপনি। থৌদোকসিমক ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং-চনবা শুগনু কৈথেল য়াওনা এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সি অসিগী মফম খরদা থোকখ্রে। মখা তানা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকা সদর হিলস/কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকা তায়নবা মফমশিংদসু থোরক্লে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতুংইন্নদি অথুবদা য়েৎনরিবা মশেলগী মরক্তা য়ানবা/য়েৎনদবা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং য়াৎথোকহৌদ্রগদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌরকপগী থৌদোকশিং শোয়দনা মায়োক্লরকপা য়াবগী থাজবা লৈরে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেল্লম্বা লৈঙাক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট মশীং হেনগৎহল্লম্বগী থবকসি শা মরক্তা শাদোং লংশিল্লম্বা ওইনা থোকহন্নবা শিল্লম্বা ওইরমদবদি য়াই অদুবু হু পাম্বী থারম্বদৌনা থোকহল্লকপা চুল্লোই। হৌজিক্কী লৈঙাক্লসু খূৎ তুংবুন্নরগা চগৌ য়েংবদৌনা লৈথোকপসু তৌগনু। মতম ঙাইদনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনৌ। খুঞ্জা মশেলগী মরক্তা মীশি-মীনা য়াওরক্কনিকো।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **"ওইরগদ্রা অরোইবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **"ৱৎসনিংথৌ উদয়ন"** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) "খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেন্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেন্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।" ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"ৱারেপ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইম্ম্যুন সিষ্টমনা মহিকশিংগা লান থেংনরকপদা হকচাংগী টিস্যুশিংদা শাথীনা অমাঙ-অতা থোকপবু খঙদোক্লবগী পাম্বৈ

সাইন্সকী খোঙচৎ
**কুঞ্জো নাওরেম**

লান্মীশিংগী বট্টালিয়ন নৎত্রগা বৃগেদ অমদা য়েক্লবশিংনা লান্দাশিল্লকপা মতমদা বট্টালিয়ন নৎত্রগা বৃগেদ অদুগী মতিক চারবা খূৎলায়শিং পীরদুনা লান্মীশিংবু য়েক্লবশিংগা লান থেংননবা থাদোরকই। করিগুম্বা মতমদা য়েক্লবশিংনা হেন্না হেন্না অশি-অনা অমসুং অমাঙ-অতা থোকহল্লকপদগী খোইশাওনরবা লান্মীশিংদুনা লাক্ল-ফানবা য়াদবমখৈ লান থেংনরকপা অদুনা য়েক্লবশিংদা মাঙ-তাকহনবগী মহুত্তা বট্টালিয়ন নৎত্রগা বৃগেদ অদুদা হেন্না অমাঙ-অতা থোকপগী থৌওংসি থেংনখ্রবরা? অসিগুম্বা ফীভম অসি ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদদি থোকপা য়াই; মতমদুদা ইম্ম্যুন সিষ্টমনা হকচাংগী নোর্মেল সেলশিং অমসুং টিস্যুশিংদা শাথীবা মওংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লকই। মসিগী থৌওংসিবু সেপসিস (Sepsis) হায়না খঙনৈ।

বেক্টেরিয়াগুম্বা মহিকশিংনা ইনফেক্সন থোকহল্লকপা মতমদা কনাগুম্বা খরগী ইম্ম্যুন সিষ্টমনা মহিকশিংদুগা লান থেংনরকপা মতমদা নারিবা মীদুগী নোর্মেল সেল অমসুং টিস্যুশিংদা হেন্না অমাঙ-অতা থোকপগী ফীভমসি ওইরকপা য়াই। ফীভমসি ওইরকপা মতমদা কয়াৎশিংদা ঈগী ঈচেল হন্থরকই, হকচাং শিনবা থুংনা ইনফ্লেমেসন থোরকই অদুগা চাং নাইদবা মওংদা ঈ ফমজিল্লকই। থৌওংসি পুন্সিবু তেমশিংনরকপা অমনি; মতম চানা খঙদোক্তুনা থেংনহৌদ্রবদি, সেপতিক শোক থোক্তুনা কয়াৎশিং মথৌ তৌবা লেপখিবদগী শিবা য়াই।



Katrina Kalantar

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা সেপসিসকী থৌওংসি কয়ামুক থোকপগে হায়বসি চপ চানা লেপথোকপা ঙমদ্রবসু কুমজা ২০১৭তা ফোঙদোরকখিবা 'সাইন্টিফিক পব্লিকেসন অমগী মতুংইন্না চহী অসিদা মালেমগী ওইনা সেপসিসকী অনাবা মিলিয়ন ৪৮৯ থেংনখি অদুগা মীওই মিলিয়ন ১১না শিখি হায়রি। শিবগী চাংসি মালেমদা লায়নাশিংনা মরম ওইদুনা শিখিবশিংগী মনুংদগী ২০% মুক ওই হায়রি। চহী অসিদা সেপসিসনা নাখিবশিংগী মরক্তগী তঙ্খাই অমদি অঙাংশিংদনি অদুগা নাখিবা অঙাং মিলিয়ন ২০ মুক্কী মনুংদগী শিখিবা মিলিয়ন ২.৯দি চহী মঙাগী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংনি হায়রি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি করম্বা মহিক্না সেপসিস থোকহল্লিবগে নৎত্রগা ঈগী ঈচেল নৎত্রগা হকচাংগী করিগুম্বা মফম অমদা ইনফেক্সন অমা লৈরে হায়না খঙদোকপসি শিংনবা অমা ওইদুনা লৈরি। অনাবা অমদা সেপসিসকা মান্নবা লায়ওংশিং য়াওবা ইনফেক্সন অমা লৈরিব্রা হায়না খঙদোকপা অসিসু অরুবা অমা ওইরি। অদুবু 'নেচর মাইক্রোবাইওলোজি' (ওক্টেবর ২০, ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, Chan Zuckerberg (সি জেৎ) Initiative কী চান জকরবর্গ বাইওহব অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া, সান ফ্রান্সিস্কো (য়ু সী এল এফ) কী থিজিন-লূপ অমনা সেপসিসকী লাইওং খঙদোক্লবা 'দাইগ্নোষ্টিক' মেথদ' অমা শেমগৎপা ঙল্লে হায়রি। মেথদ অসিদা নারিবা মী অমসুং মহীক অনীমক্কী জিনোমিক্স দেটাবু অনালিসিস তৌনবগীদমক মেছিন লর্নিং শীজিন্নরগা সেপসিস কেসশিংবু খঙদোকপদা নত্তনা, নারক্কদৌরে হায়বসি মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙমহল্লি। মেথদ অসিনা হৌজিক শীজিন্নরিবা দাইগ্নোষ্টিক স্কিলশিংদগী হেন্না ফৈ হায়বা ৱাফমসু পাউদম অসিদা পল্লি। টেক্নোলোজি অসিনা কনফার্ম তৌরবা বেক্টেরিএল কেসশিংগী ৯৯% কনফার্ম তৌরবা ভাইরল সেপসিস কেসশিংগী ৯২% অমসুং দাইগ্নোসিস তৌদ্রিবা অদুবু চীংনবদি লৈরবা কেসশিংগী ৭৪%বু চুম্না খঙদোকপা ঙমখি।



Chaz Langelier

হৌজিক শীজিন্নরিবা দাইগ্নোষ্টিকশিংনা কলচরদা য়েক্লবা বেক্টেরিয়াদা মীৎয়েং থম্মী। থিজিন লূপ অসিগী মতুংইন্না মহিকপু কলচর তৌবা হায়বসি মতম চঙই অদুগা ইনফেক্সন অদুবু থোকহল্লিবা বেক্টেরিয়াদুবু মতম পূম্বদা চুম্না খঙদোকপসু ঙমদে হায়রি। অসুম্না ভাইরসশিংগী ওইনসু পি সী আর টেষ্টশিংনা ভাইরসশিংনা অনাবা অমদা ইনফেক্সন তৌরে হায়বদি ঙম্মী অদুবু সেপসিস থোকহল্লিবা ভাইরস অদুবুদি মতম পূম্বদা মশক খঙদোকপা ঙমহন্দে। মরম অসিনা ক্লিনিসিয়নশিংনা অনাবশিংগী ৩০%দগীনা ৫০% ফাওবদা সেপসিসকী হৌরকফম পুথোকপা ঙমদে হায়না য়ু পি এস এফকী দিভিজন ওফ ইনফেক্সিয়স দিজিজেসতা মেদিসিনগী এসোসিএট প্রোফেসর অমসুং সী জেৎ বাইওহব ইনভেষ্টিগেটর ওইরিবা Chaz Langelier না ফোঙদোক্লি।

অসিগুম্বা তাঞ্জাদা চপ চাবা লাইওং খঙবা ঙমদবনা লায়েংলিবা ডাক্টরশিংনা ইনফেক্সন অদুবু থিংনবগীদমক এন্টিবাইওটিক অনী নৎত্রগা অহুমগুম্বা পূন্না পী। মসিগীসু খুদোংচাদবা লৈ মরমদি মসিনা এন্টিবাইওটিক রিজিষ্টন্স হেনগৎহল্লি। অদুনা চপ চাবা মহীক অদুবু মশক খঙলগা এন্টিবাইওটিক থাবসিনা খুদোংচাদবা অসিদগী কোকহনবা ঙম্মী। মসিগীদমক থিজিন-লূপ অসিনা কুমজা ২০১০দগীনা ২০১৮ ফাওবদা য়ু সী এস এফ মেদিকল সেন্টর নৎত্রগা জকরবর্গ সান ফ্রান্সিসকো জেনরেল হোস্পিটালদা লায়েংখিবা অনাবা ৩৫০ হেনবদগী লৌরকপা হোল ব্লদ অমসুং প্লাজমা সেম্পলশিংবু এনালাইজ তৌখি। মখোয়না মহিকশিংদু খঙদোক্লবগীদমক কলচরশিংগী মহুৎতা, মেটাজিনোমিক নেক্সট-জেনরেসন সিক্বেন্সিং (mNGS) শীজিন্নরম্মী। মেথদ অসিনা সেম্পল অমদা য়াওরিবা ন্যুক্লিক এসিদশিং নৎত্রগা জিনেটিক দেটা পূম্নমক খঙদোক্লগা য়াওরিবা মহীকশিংগী রেফরেন্স জিনোমশিংগা চাংদম্নরম্মী। টেক্নিক অসিনা সেম্পল অদুদা য়াওরিবা - বেক্টেরিয়া, ভাইরস নৎত্রগা ফঞ্জাইবু ওসরো-ওর্গানিজমশিংগী তোপ-তোপ্পা কিংদমশিংগী জিনেটিক মেটরিএলশিংদু খঙবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং, মহিক অমা য়াওরে হায়না মশক খঙদোকপা অসিখক্তনা সেপসিস দাইগ্নোসিসকী মতিক চাবা হায়বদুদি ওইরমদে। মরম অসিনা বাইওহবকী থিজিল্লোইশিংনা ত্রান্সক্রিপসনল প্রোফাইলিং তৌরগা অনাবদুগী ইম্যুননা ইনফেক্সন অদুদা পীরক্লিবা পাউখুম অদুবু খঙদোক্লবা হোৎনখি।

মতুং তারকপদা থিজিন-লূপ অদুনা মেছিন লর্নিংবু mNGS তা পানশিল্লম্মী অদুগা ত্রান্সক্রিপসনল দেটানা সেপসিস অমসুং অতোপ্পা ক্রিটিকল ওইবা অনাবশিংগী খেন্নবদু পুথোক্তুনা দাইগ্নোসিস তৌরম্মী। CZ তা কম্প্যুটেসনল বাইওলোজিষ্ট ওইরিবা Katrina Kalantar না সেপসিস নৎত্রগা নোন-ইনফেক্সিয়স সিষ্টেমিক ইনফ্লেমেটরি দিজিজশিংনা নারে খঙলবা অনাবশিংদগী খোমজিল্লকপা দেটাদা ত্রেইন তৌরবা ইন্টিগ্রেটেদ হোষ্ট-মাইক্রোব মোদেল অমা শেমগৎলম্মী। মসিগী মতেংনা সেপসিস দাইগ্নোসিস তৌবদু য়াম্না চুম্না পাঙথোকপা ঙমহল্লম্মী।

চাংয়েং অসিদা থিজিন লূপ অসিনা ক্লিনিকলগী ওইনা মান্নবা সেপসিস অমসুং নোন-ইনফেক্সিয়স সিষ্টেমিক ইনফ্লেমেটরি কন্দিসনশিং লৈরে খঙলবা অনাবশিংগী মরক্তা জিন এক্সপ্রেসনগী অহোংবশিংদু খঙদোক্লম্মী, অদুগা মেছিন লর্নিং শীজিন্নদুনা হোংলক্লিবশিংদুবু তাকপা ঙম্বা জীনশিংদু পুথোক্লম্মী।

থিজিন লূপ অসিনা mNGS মেথদ অমসুং মখোয়গী মোদেল অসি শীজিন্নদুনা কনফার্ম তৌরবা বেক্টেরিএল সেপসিস কেসশিংগী ৯৯% কনফার্ম তৌরবা ভাইরল সেপসিস কেসশিংগী ৯২% খঙবা ঙমখি, অদুগা ক্লিনিকলগী ওইনা চিংনবা লৈরবা কেসশিংগী ৭৪%দা সেপসিস থোরক্কদৌরে হায়বদু মাঙজৌননা হায়বা ঙমখি হায়না পাউদম অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। অনৌবা দাইগ্নোষ্টিক মেথদ অসিনা সেপসিস থোরকপা য়াবা ফীভমশিং অমসুং সেপসিসকী হৌরকফমদু চপ চানা খঙদোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সিবু কনবা ঙল্লগনি হায়বসি থিজিন-লূপ অসিগী থাজবনি। মসিগী মখা তারকপদা, লূপ অসিনা মেথদ অসি শীজিন্নদুনা এন্টিবাইওটিক রিজিষ্টন্স ওইরবা মহীকশিংনা তৌহল্লকপা ইনফেক্সনশিংবুসু খঙদোক্লবগী মতাংদা থিজিনখিগনি হায়রি। ●

# মঙাশুবা নেচরোপেথিগী নুমিৎনা লাকপদা
## (নবেম্বর ১৮, ২০২২)
## ডাক্টর বি বিজয়ালক্সমি (ওগষ্ট ১৯, ১৯৩১- ওগষ্ট ১৯, ১৯৮৬)

- লৈশাংথেম অজিৎ -

হান্না লৈরম্বা নেচরোপেথিদগী ইহান হান্না অওনবা অমা পুরকপগা লোয়ননা দিগ্রি কোর্স ওইনা মেদিকেল বোর্ড অমদি য়ুনিভর্সিটিনা শকখঙলবা নেচরোপেথিগী কোলেজ অসি ইন্দিয়াগী হায়দরবাদতা লৈবা গান্ধী নেচর কিওর কোলেজ বেগমপেত - ১৬নি। অদুগা লোয়ননা হায়রিবা মালেমগী ওইনা শকখঙলবা দিগ্রি কোর্স অসিবু লিংখৎপীরম্বদি ডাক্টর বি বিজয়ালক্সমি, প্রিন্সিপাল অমদি দাইরেক্টর ওইনা লৈবিরম্বা ডাক্টর বি ভেনকতা রাওনি।

ডাক্টর বি বিজয়ালক্সমি ময়াম্না ডাক্টর অমা হায়নসু কৌনৈ। মহাক্কী মপা পোকপা শ্রীদ্রোনমরাজু ভেনকতাচলপতি শর্মা থোইদোক্লা মশক নাইরবা নেচরোপেথিগী লময়ানবা ডাক্টর লুইস কুইনে (Louis Kuhne) গী লাইরিক 'ন্যু সাইন্স ওফ হিলিং' তেলেগু লোন্দা হন্দোক্তুনা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা নেচরোপেথিগী লাইরিক ফোঙদুনা ময়ামদা খঙহনখিবা অমদি নেচরোপেথিগী মরমদা জর্মনিদা চৎতুনা তম্লুবা ইহান হানবা লময়ানবনি। ডাক্টর বি বিজয়ালক্সমিগী অপোকপা ডাক্টর দ্রোনমরাজু সিবরাওসু মতমদুগী অফাওবা সর্জন অমা ওইবতা নত্তনা হায়দরবাদ, বোম্বে, মহিশুরনচিংবা মফম কয়াদা থবক্কী পোষ্টিং তারম্বদা মচানুপী বিজয়ালক্সমিবুসু অপোকপগী মতুং ইন্দুনা চৎপদগী তোঙান তোঙানবা লোল ইংলিস, হিন্দি, উর্দু, মরাথি, কনাদা, তেলেগুনচিংবা কয়াসু নৌরিঙৈ মতমদগী নিংথিনা হৈরম্মী। মহাক্লা ডাক্টর বি ভেনকতা রাওগা লোয়ননা মপাগী অপাম্বগী মায়োক্তা লুহোংখি। অদুবু মখোয় অনীনা য়াম্না ৱানা পূন্না হোৎনদুনা নেচরোপেথিবু মালেমগী মীয়ামদা হেন্না পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরম্মী। ডাক্টর বি ভেনকতা রাওসু হান্না মদুরাইদা লৈবা ষ্টেনলে মেদিকেল কোলেজদা এম বি বি এসকী অহুমশুবা চহী ফাওবা তম্লল্লগা মপূং ফানা লোইদ্রিঙৈ ভারত নীংতম অন্দলোনদা য়াওশিনখিবদগী মখোয় অনীদা অহলশিংনা পেন্দবা হেনগৎলকখি অমদি মখোয় য়ূমদগী ইন্থোকপীখি।

ৱারধগী শেবগ্রাম আশ্রমদা ভেনকতা রাওনা গান্ধীজিগা উন্নরবা মতুংদা মহাকপু নেচরোপেথি তম্নবগীদমক ভেগীরাজু কৃষ্ণনম রাজুগী মনাক্তা ভিমাৱারমদা থাবিরম্মী। মদুদা বিজয়ালক্সমিসু মপাগী অপাম্বা এম বি বি এস তম্বগী মহুৎতা নেচরোপেথি ত্রেনিংদুদা য়াওরকখি।

ইমুং মনুংনা ইন্থোকপীবনা মরম ওইদুনা শেল থুম মতেং পাংবীনবসু লৈরমদে। য়াম্না ৱানা ইগী খাংপোক অমদা ভিমাৱারমগী আশ্রম অদুদা লেল্লকখি। অহিং, নুংথিল নাইদনা অৱাবা খাঙদুনা মহৈদা অহেনবা পূক্লিং চংনা লেল্লকখি। লোয়ননা আশ্রমগী থবক ইনখাংদসু থৱায় য়াওনা হোৎনরম্মী।

মপামগী য়ূমদগী হান্না য়াওরকপা সনা, লুপা, লিক কোল কায়থোক্তুনা হিংননবগী পুন্সি লম্থেংদা মায়োক্লখি। কুমজা ১৯৪৮ ফাওবদা কোর্স অদু মপূং ফানা লোইশিনখি। অসুম্না আশ্রমদা ৱানা লেনবদু উবদা পুকচেল চাওরবা জমিন্দার অমা মশা লায়েংবদা ফরকপদগী পেল্লদুনা মখোয়গীদমক থা থাগী ওইনা লুপা ৩০ ষ্টাইপেন্দ ওইনা পীবিরম্মী। হায়রিবা শেনফম অসিনা মখোয়দা অচৌবা মতেং ওইনখি। কুমজা ১৯৪৯ ফাওবা মতম খরা ভিমাৱারমদা থবক তৌরম্লবা মতুংদা বোলারাম নেচর কিওর হোস্পিটালদা অচর্য্য বিনোবা ভাবেনা কৌরকপদগী লাকখি। অসুম্না মফম অসিদা থবক তৌরিঙৈ কুমজা ১৯৫৪দা মতম অদুগী হেল্থ মিনিষ্টর ওইরম্বা সেহদি নাৱাজ জঙ' গী লোয়নবীগী লায়েংনবা লাকখি। হীদাক মনা অমদি ক্বা হেন্না চামনবদগী চিন অমসুং লৈ কা হেন্না চাথৎতুনা মতমদুগী ডাক্টরশিংনা য়েংবদা ফগৎপা ঙল্লমদে অমসুং কেন্সর ওইরমগদ্রা হায়দুনা চিংনবা পোক্লরম্মী। অদুবু মফম অদুদা নেচর কিওরনা চয়োল অনীদং লায়েং চথবদা অনাবা পূম্বা কোকখি।

মিনিষ্টরনা মতম অদুদা অঙকপগা লোয়ননা অপেনবা ফাওখি। মখা তানা মহাক্লা বোলারামগী নেচর কিওর হোস্পিটাল অসিবু হায়দরবাদতা লম অমদি অনাবগী লৈফমনচিংবা পীদুনা কুমজা ১৯৫৪দা বেগমপেত্তা নেচর কিওর হোস্পিটাল অসি হোংদোরকখি। লোয়ননা লায়েং অসিদা মতেং পাংবীনবা অনৌবা ত্রেনিং সেন্টর ওইনা চহী অনীগী কোর্স কুমজা ১৯৫৬তগী হৌদোরকখি। চহী অনী কোর্স ওইনা চথ্থরম্বদগী অহেনবা সিলেবস হাপচিন্দুনা কুমজা ১৯৭০দগী চহী মরিগী মেদিকেল কোর্স ওইনা হৌদোকখি। 'ইন্দিয়ান সিষ্টম ওফ মেদিসিন বোর্ড' হায়দরবাদনা আয়ুর্বেদগী সিষ্টমদা রেজিষ্টর তৌবা য়াহনখি। মখা তানা কুমজা ১৯৭৮-দগী ওসমানিয়া য়ুনিভর্সিটিনা শকখঙবীবগা লোয়ননা থা তরুক্কী ইন্টর্নসিপ হাপচিনখি। অহানবদা প্রাক্টিকেল ক্লাস অসি অহানবা চহীদগী তৌরম্বদু তোকথোক্লগা অহুমশুবা চহীদগী অনাবা য়েংবা হৌরকখি অদুগা লোয়ননা থা তরুক্কী তোঙান্না ইন্টর্নসিপ অসি হাপচিনখি। মথংদা দিগ্রি ওন্নবা চহী ১ হাপচিন্দুনা অহানবা বি এন ৱাই এস হৌদোকখি। বেচলর ওফ নেচরোপেথি এন্দ যোগিক সাইন্স' অসি হায়দরবাদতগী অহানবা হৌদোকখি। হায়রিবা কোলেজ অসিগী ইহান হান্না ডাক্টর বি বিজয়ালক্সমিনা প্রিন্সিপাল ওইনা পুবিরম্মী। ●